# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-06-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০১-০৬-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর অমসুং উখ্রুল জিলাদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসি পাক শন্না নোং তারবা য়াই।

**অমসুং**

৩) উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণননা হায়রি- লৈঙাক সাসনগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা, অফবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোকপা তঙাইফদে।

-------

**পুসিল (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা থিনেজাং অমসুং লৈমতাক এরিয়াদগী ঙরাং খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এ.কে.ফোর্তি সেভেন

রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, ফিফতি এম এমগী কন্ত্রি মেদ মোর্তার অমা, ফিফতি এম এমগী মোর্তার সেল অনি, ঐচ.পি বোম অনি, বুল্লেট প্রুফ জেকেট অহুম, হেলমেট অহুম, জঙ্গল বুট অহুম অমসুং এ.কে.ফোর্তি সেভেনগী নোংমৈ মরু ১০ য়াওরি।

উখ্রুল জিলাগী য়াওলেন চেপু এরিয়াদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। খূৎলাইশিং অদুগী মনুং এস.বি.বি.এল নোংমৈ মরি, এস.বি.এম.এল নোংমৈ অনি, বাউফেং ৱায়রলেস সেট অহুম, বাইনোক্যুলর অমা অমসুং মেগজিন পাউচনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংশিং ফাগৎখ্রে। বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন বজারদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়ুঙৌ লিতর ২০ ফারে। জিলা অসিমক্কী নম্বোল থোংখা অমসুং সাবল লৈকাইদা মণিপুর পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী য়ুঙাংশিং অমদি কেন বিয়রনচিংবা ফাগৎলে। দ্রাইভ অদুদা, য়ুঙৌ লিতর ৭০ রোমসু ফাগৎলে হায়রি।

**দি.জি.পি (এল)ঃ** চহী অহুম মণিপুরগী দি.জি.পি ওইরম্লবা রাজিব সিংহ মহাক্কী থবক পায়বগী মতম ঙরাং লোইখ্রে। মহাকা ক্ষম অসিদগী পোথাখিবগী থৌরম অমদা শ্রী সিংহনা মণিপুরগী মীয়াম, মীয়ামগী মীহুৎশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমসুং চীং অমদি তম্পাক্কী মীয়ামগী লুচিংবশিংবু মহাক্কী মতমদা মীয়ামা মতেং পীরকখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মণিপুরগী অনৌবা দি.জি.পিনা মখা তানা মীয়ামগী খন্দুনা হেন্না ফবা থবকশিং তৌরকবসু মহাকা য়াইফ পাউজেল পীরমখি।

**ৱেদর(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- মনিপুরগী জিলা অয়াম্বদা ঙসিদগী হৌরগা পাক শন্না নোং তারবা য়াই।

জিলা খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

খা নোংচুপ্তুগী হৌরকপা কুমগী নোং চুরকপা মতম য়ৌরকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লৌমীশিংনা লৌ পান্নবা শেম শাবা হৌনরে। মণিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদসু লৌউ শিংউগী থবকশিং হৌনরে।

**সংকৃটন(এল)ঃ** আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেননা হায়রি-ঐখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা খুন্নাইগীদমক খন্দুনা অফবা থবকশিং তৌরম্না তুংগী মীরোলনা শক শোন্নহৌগদৌরিবনি।

নৎ সংকৃটনগী লৈখিদ্রবা শকাইরবা গুরু কোন্থৌজম সনাতোন সিংহগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-চাউরবা ভারতকী মনুংদা কলচরেল য়ুনিভর্সিতি অহুম লৈবগী মনুংদা মণিপুরদা অমা লৈরি। মসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা কলা সংস্কৃতিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা কখোকপগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুগী মপান্না ওইবা ঙল্লিবনি। মখা তানসু লম অসিদা হেন্না থৱাই য়াওনা হোৎনমিন্নসি হায়না মন্ত্রিনা আপিল তৌখি। থৌরম অদুদা, এম.এল.এ ডা.সাপম রঞ্জন অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**রধাকৃষ্ণনঃ** উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণননা হায়রি- লৈঙাক সাসনগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা, মসিগী মতাংদা অচুম্বা অমদি ৱাহন্থোক লৈনা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোকপা তঙাইফদে।

কেরলাগী কোতায়মদা ঙরাং দিপিকা মলায়লম পাউচেগী ১৪০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা পাউমীশিংদা তোঙান তোঙানবা মনাশিং য়েন্থোক্লদুনা উপ-রাস্ত্রপতিনা হায়-পাউমীশিংগী অচুম্বা ধর্মদি অফবা থবকশিং উবদা অকিবা লৈতনা থাগৎপা অদুগা অরানবা থবকশিং উরবসু মদুগী মরমদা নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবদুনি। পাউচেশিংনা খুন্নাই অমবু মমাই চুম্বদা চাউরবা থৌদাং

লৌরি হায়রদুনা শ্রী রধাকৃষ্ণননা হায়-পাউমীশিংনা ইন্নোভেসন, বিগ্যানগা মরী লৈনবা পাউশিং অমসুং মীয়ামদা অনৌবা আশা পোকহনবা য়াবা পাউশিং ইরবদি খন্নাই অমনা চাউখৎপদা চাউনা মতেং পাংগনি। থৌরম অদুদা, কেরলমগী রাজ্যপাল রাজেন্দ্র বিস্বানাথ আরলেকর অমসুং মুখ্য মন্ত্রি ভি.দি.সাথিসন শরুক য়াখি।

**ত্রিপুরাঃ** কেন্দ্রগী হাউজিং অর্বান এফিয়র্স অমসুং পাৱর মন্ত্রি মনোহর লালনা ত্রিপুরাদা অর্বান সেনিতেসন অমসুং পাৱর ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলগনি হায়রি।

অগরতলাদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রী মনোহরনা হায়-রাজ্য অসিদা অমোৎ-অকাই নিংথিনা তাশিন খোমজিন্নবা অফবা মখলগী থৌশিল শেমবগী মথৌ তাবা শেনফমশিং কাইথোক্লগনি। লু-নানবগী ফিভম য়েংশিন্নবা রাজ্য শিনবা থুংনা সর্ভে পাঙথোক্কনি । রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং- অগরতলা, ধরমনাগর, মেলাঘর অমসুং উদয়পুরদা লু-নান্ন থমবগীদমক অখন্নবা শেনফমশিং কাইথোক্লে। মহাকা মখা তানা হায়- কুমজা ২০২৭ কী মার্চ ফাওবগী মনুংদা পি.এম সুরিয়া ঘর মুফ বিজিলি য়োজনাগী মখাদা ত্রিপুরাদা সোলর কন্নেক্সন লাক্ষ ২ থমবগী পান্দমসু থল্লি।

**চিফঃ** চিফ ওফ দিফেন্স স্তাফ জেনরেল এন.এস রাজা সুব্রমানিনা হায়রি-অনৌবা ইন্নোভেসনশিং পুথোকপনা মিলিতরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলি। লৈবাক অসিগী চিফ ওফ দিফেন্স স্তাফ ওইনা থৌ পুবা হেক হৌবগা পাউমীশিংগা উনবা অমদা জেনরেল সুব্রমানিনা হায়-ঙাকশেলগী লমবু মতমগা চুনবা মওংদা মপুং ফানা শেমগৎনবা হোৎনবদা আর্ম ফোর্সশিং, উদ্যোগশিং, লাইরিক লাইসু হৈরবশিং অমসুং স্তার্ট অপশিংনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-আর্ম ফোর্সশিংনা মখোয়না

ফংলিবা টেকোলোজি অমসুং খূৎশু খূৎলাইশিংগী মতেংগা লোয়ননা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিবু ঙাকশেনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক অসিগী লান্মীশিং, সেলরশিং অমসুং ইয়র ৱারিয়রশিংনা লৈবাক অসিবু ঙাকশেনবগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিং শকখঙদুনা মখোয়গীদমক পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

**আই.পি.এলঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ২০২৬ কী চেম্পিয়ন রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা ওইরে। অহেমদবাদগী নরেন্দ মোদি স্তেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা গুজরাট তাইতান্সপু ৱিকেট ৫ দা থোইখি। গুজরাট তাইতান্সনা হান্না বেতিং তৌদুনা ৱিকেট ৮ দা রন ১৫৫ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা, রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা ৱিকেট ৫ দা রন ১৬১ লৌদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মসি থারগা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা আই.পি.এলগী চেম্পিয়ন ওইবা অনিরক শুরে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কোন্সাখুলগী খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই অমা শোকখিবা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা বন্দগী খোঙজং তোক্লসি হায়না ফোঙদোকখিবা অমসুং সি.আর.পি.এফগী কোব্রা বট্টালিয়ন অনি মণিপুরদা য়ৌরক্লগনি হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

কুকি মিলিতেন্টকা কোন্সাখুলদা চথরকপা এত্তেক্টতা খুঞ্জা অমা শোক্লে, য়ানিংদবা ফোঙদোকরক্লি হায়না- পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস, সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, তামেংলোং তাইমস,

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদা ফোঙলি।

বন্দগী খোঙজং তোক্লসি, মরম চারবদি ৱারি শান্নসি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি । শ্রী য়ুমাম খেমচান্দনা লাইনিংথৌ সনামহি বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবগী পাউ- মণিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জঙ্গল ৱারফেয়রদা মপা লৈত্রবা কোব্রা কম্মান্দোগী বট্টালিয়ন অনি মণিপুরদা থাজিল্লক্কদৌরি হায়বা পাউ- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হাই কোর্টনা প্রোফেসর সুস্মিত্রা ফাঞ্জৌবমবু এম.য়ুগী ভি.সি ইন চার্জ ওইবগী অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

কোন্সাখুলগী খুঞ্জাশিংদা কাপশিল্লকপদা শোকখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। এম্বুসতা কোন্সাখুলগী নাগা অমা শোকখিবা, খুঞ্জাশিংনা কে.এন.এফ(পি)দা মরাল শিবগী পাউ- গানফিউ মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অন্সমনা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ননবা জন্ ৩ দা মীফম কৌখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.ঈ.এফ.এ চেম্পিয়ন্স লিগতা পি.এস.জিনা অর্সনেলবু মাইথিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**